# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কানপুরদা এয়ার ফোর্স পার্সোন্নেলগা উন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই শান্নখ্রে



**কানপুর, দিসেম্বর ১৫(এজেন্সি)ঃ** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কানপুরদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী পার্সোন্নেলগা ঙরাং উন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই শান্নখ্রে অমসুং মখোয়গী থবকশিংগীদমক লৈবাক অসিনা চাওথোকচৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কানপুরদা লৈবা এয়ার ফোর্স ষ্টেসন অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা আই এ এফ পার্সোন্নেলগা অপুনবা ফোটোগ্রাফ অমা লৌমিন্নখি অমসুং মদু ত্বিটরদা থাগৎখি অমসুং কানপুরদা আই এ এফকী পাইলোটশিং অমসুং অতৈ আই এ এফ পার্সোন্নেলগা ৱারী-ৱাতাই শান্নরে অমসুং ইন্দিয়ানা মখোয়গী শিংথানিঙাই ওইরবা থবকশিংগীদমক চাওথোকচৈ হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ত্বিটরদা ইখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মেদিনা নেসনেল গঙ্গা কাউন্সিলগী কানপুরদা পাংথোকপা অহানবা মীফম অদুগীসু চিয়ার লৌখি।

গঙ্গা তুরেল অমসুং মসিগী মশা-মরেংশিং য়াওনা গঙ্গা বেসিন অমুক নৌহৌনা ফগৎহন্নবা অমসুং পোলুসন থোকপা থিংবগী থবক মীৎয়েঙ চংশিন্নবগী দায়ত্ব পুন্বা কাউন্সিল অদুদা শিন্নখ্রে।

মরী লৈনবা ষ্টেটশিং অমসুং মরী লৈনবা সেন্ট্রেল মিনিষ্ট্রিশিংগী দিপার্টমেন্ট পূন্নমক্না গঙ্গা সেন্ট্রিক ওইবা খোঙজংদা চংশিনবগী মরুওইবা অদু হেন্না মরা চেৎশিনহন্নবগী পান্দমদা নেসনেল গঙ্গা কাউন্সিলগী অহানবা মীফম অদু পাংথোকখিবনি।

# প্রোটেষ্টশিং নেমথখ্রে, মফম খরদা কর্ফ্যু কোমথোকখ্রবসু ইষ্ট খাসি হিলসতদি নুমিদাং পুং ৭তগী মতম কক্তনা কর্ফ্যু অমুক থমখ্রে

**ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৫(এজেন্সি)ঃ** শেমদোক্লবা সিটিজনসিপ এক্টকী মতাংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা প্রোটেষ্টশিং চথরকখিবদগী ওথোরিটিজনা থমজিনখিবা কর্ফ্যু অদু গুৱাহাতি য়াওনা মফম কয়াদা কোমথোকখ্রে অদুবু মেঘালয়াগী ইষ্ট খাসি হিলসতদি নুমিদাং পুং ৭ ফাওবা কোমথোক্লবা কর্ফ্যু অদু ঙসি নোংমাইজিংগী নুমিদাং পুং ৭তগী হৌনা মখা তাবা ওর্দর থোক্ত্রিবা ফাওবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা অমুক হান্না কর্ফ্যু থমখ্রে।

দিসেম্বর ১১দগী বেঙ্কশিং অমসুং মহৈতম্ফমশিং পূন্নমক থোঙ লোন্নখি অমসুং নোর্থ ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটিনসু পাংথোক্কদৌরিবা একজামিনেসন পূন্নমক ফেব্রুৱারী ২০২০ ফাওবা য়ৈথোকখ্রে।




ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নোর্থ ২৪ পরগনাজদা লম্বী থিংবা অমসুং ট্রেন চৎপদা অপনবা থোকপগী পাউ কয়া লাখি। অৱাং থংবা বেঙ্গল তন্না চৎপা নেসনেল হায়ৱে-৩৪ অদু নোর্থ ২৪ পরগনাজ দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা থিংদুনা থমখি।

ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা প্রোটেষ্টরশিংনা উ পাম্বিশিং য়ানথৎলগা মরুওইবা নেসনেল অমসুং ষ্টেট হায়ৱেশিংদা থিংদুনা থমখি অমসুং লম্বী ময়াইদা টয়ারশিং মৈ থাখি।

অসামগী দিব্রুগড় দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা থমলম্বা কর্ফ্যু কোমথোকখি। দিব্রুগর ৱেষ্ট, নহারকতিয়া, তেনুঘাদ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অতে মফম খরদা অয়ুক পুং ৭তগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা কর্ফ্যু কোমথোকখি।

গুৱাহাতিদা অয়ুক পুং ৭তগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা করফ্যু কোমথোক্লিঙৈগী মনুংদা দিসপুর, উজনবজা, চান্দমারি, সিলপুখ্রি অমসুং জুরোদ য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা দুকানশিংগী মমাঙদা মীয়াম্না পোৎলৈবশিং পরেংশাংনা লেপ্পা উখি।

পার্লিয়ামেন্টতা সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৯ য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাস তৌখ্রবগী মতুংদা অসাম, গৱাহাতি অমসুং অতৈ মফম কয়াদা অকনবা প্রোটেষ্টশিং চথখি, মদুদা প্রোটেষ্টরশিংগা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লবশিংদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩ শিখিবগী পাউ লৈখ্রে অমসুং অতৈ মীওই কয়া শোকখি।

# রাজস্থানদা মহৌশা নৎতবা মওংদা উন অমসুং লেন তারকখ্রে

**জয়পুর, দিসেম্বর ১৫(এজেন্সি)ঃ** রাজস্থানগী মহৌশানা য়াম্না অশাবা লমদম ওইরিবা নগাউর দিষ্ট্রিক্টতা মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা উন অমসুং লেন তারকখ্রে অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অদুগী টাউন অদু মরোল কয়াগী উননা কুপখিদুনা উননা কুপ্লবা হিল ষ্টেটসন অমগা মান্নখ্রে।

লমদম অদুগী লৈঙোই মথক্তা তারকখিবা লেন মপৈ-মপৈ অদুনা টাউন অদুবু নিংথম থাগী অঙকপা লমদম অমা ওইহনখ্রে। হেক য়েংবদা ঙক্না থোক্লবা পিকচরশিংনা মফম অদুগী লম্বীশিং, য়ুমথকশিং অমসুং গাড়ীশিং পূন্নমক উন মপাক-মপাক্না কুপশিন্দুনা লৈবদু উৎখি।

অদুম ওইনমক অসিগুম্বা নোং-চিংগী ফিভমশিং অসি অমুক্তা মায়োক্লদ্রিবা মফমদুগী মীওইশিংগীদমক্তি মহৌশা নৎতবা মওংদা উন অমসুং লেন তারকখিবা অদু অচৌবা অৱাবা অমা ওইরকখ্রে।

ছাপ্রি, মৌলাসর, কিচাক কৌবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী খূঙ্গংশিংদা খ্বাইদগী শাথিনা লেন তাখি। মদুনা থারিবা মহৈমরোংশিংদা য়াম্না থীনা মাঙহনখ্রে।

রোদস অমসুং ষ্ট্রিটশিং পুম্না লেননা কুপখিদুনা লম্বীদা গাড়ী চৎপা খুদোঙথিবা ওইখ্রে। য়াম্না অশাবা লমদম ওইনা লৈরক্লিবা মফম অদুদা মহৌশাগা মান্নদবা মওংগী ফিভম অসি থোক্লককখিবদা মীওই কয়ানা অঙকপা, অৱাবা অমসুং নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

ত্বিটরদা থাগৎলকখিবা ভিদিও অমদা উননা কুপশিল্লবা লৈমাই অমসুং উপাল-ৱাপাল অমসুং লম্বীশিং উৎখি। রাজস্থাগী নাগাওর দিষ্ট্রিক্টতা মিনিট ২১রোম অকনবা মওংদা লেন তারকখি।

মেট দিপার্টমেন্টনা রাজস্থানদা নোং কন্না চুরককখিবা অমসুং লেন তারকখিবা অদু ৱেদরদা থোকপা ৱেষ্টর্ন দিষ্টরবেন্সশিংননি হায়খি। ষ্টেট অসিগী গঙ্গানগর দিষ্ট্রিক্টতসু শগোলশেল নুমিৎতা ১৫.৮ য়ৌনা নোং চুখি। ষ্টেট অসিদা নুমিদাংগী টেম্পেরেচর সেলসিয়স দিগ্রী ৮ য়ৌনা নেমথখি।

# লুপা ক্রোর ১,৩০০ গী দ্রগ ফাখ্রে

**ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৫(এজেন্সি)ঃ** নারকোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো (এন সি বি)না মীওই ৯ ফাদুনা অমসুং ইন্টরনেসনেল মার্কেটতা লূপা ক্রোর ১,৩০০ রোমগী ওইগদবা নারকোটিক্সশিং ফাখিবগা লোয়ননা ইন্টরনেসনেল দ্রগ কারটেল অমা থুগাইবা ঙমখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

এন্টি-নারকোটিক্স এজেন্সিনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা এজেন্সি অসিনা দিল্লি, নেসনেল কেপিটেল রিজন (এন সি আর), পঞ্জাব, উত্তরখন্দ, মহারাষ্ট্রদা পাকশন্না শন্দোকপা দ্রগস সিন্দিকেটস অমদগী লৈবাকসিনা ফাবদা খ্বাইদগী য়াম্বা কোকাইন ওইনা কেজি ২০গী কোকাইন ফারে হায়খি।

দ্রগস সিন্দিকেট অসি অষ্ট্রেলিয়া, কানাদা, য়ু এস, ইন্দোনেসিয়া, শ্রীলঙ্কা, কলম্বীয়া, মলেসিয়া অমসুং নাজেরিয়াদা গ্লোবেল লিঙ্কস লৈনৈ।

অহানবা ঈ-পাউশিং পূন্না খঙমিন্নরগা ওপরেসন অসিদা ইন্দিয়ান ৫, অমেরিকান ১, ইন্দোনেসিয়ান ১ অমসুং নাজেরিয়ান ২ ফাখি হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুনা হায়খি।

# ফিল্লিপিন্সতা ৬.৮কী য়ুহার হাবদা মীওই কয়া শোকখ্রে, প্রসিদেন্ট শোক্তনা নাম্থোকহৌরে

**মনিলা, দিসেম্বর ১৫(এজেন্সি)ঃ** খা থংবা ফিল্লিপিন্সকী ঈথৎ মিন্দানাওদা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা অকনবা য়ুহার হাবা অমা থোকখ্রে। ওক্টোবর থাদা মীশি-মীনা থোকপা য়ুহার হাবা পরিং অমদগী অৱাবা কোক্লবা হোৎনরিবা মফম অদুদা মীওই কয়া অশোক অপন থোকহনখ্রে অমসুং অতৈ অমাঙ-অতা কয়াসু থোকহনখ্রে।

লমদম অদুগী মরুওইবা সিটি দাভাওদগী কিলোমিটর ৯০ রোম লাপ্পদা ৬.৮ মেগ্নিচুটকী য়ুহার হাবা অদুগী ইপিসেন্টর মনাক্তা মার্কেট বিল্ডিং অমা চাওনা অমাঙ- অতা থোকখ্রে। মফম অদুদা রেস্ক্যু ওপরেসন চথখ্রে হায়না পুলিসনা হায়খি।

অকনবা য়ুহার হাবগী নীকখিবা অমসুং মদুগী মতুং খরা পীকথবা য়ুহার হাবা কয়া থোকখিবা অদুগী মতুং সোপ্পিং মোলশিংগী মপান্দা




তৌফম খঙদ্রবা ককঙাওনরবা মীয়াম্না পৈদুনা লৈনখি অমসুং চেকশিন থৌরাং ওইনা হোস্পিটালশিংদগী অনাবশিং লৌথোক্লখি।

ঐখোয়না ঐখোয়গী ওফিসকী ৱালশিং চেকখায়রবা অমসুং থাক কাফমশিংসু নীংখাইরবনা ওফিস অদু শিজিন্নবা য়াররোই হায়না মফমদুগী পুলিসকী ৱাঙাংলোই নুপী লিয়া ওরবুদানা এ এফ পিদা হায়খি।

দাভাও সিটিদগী মীওই ১ ওইরিবা প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দুটেরটেসু য়ুহার হাবা অদু হকথেংননা থেংনখি। অদুবু লায়বক ফবনা মহাক অশোক অপন থোক্তনা নাম্থোকহৌরে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

ফাষ্ট লেদি অদুনা মহাক্না থোংলিবা কার অদু ফৈরেংননা হায়খি, হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু মখোয় শোকহৌদ্রে হায়না ৱাঙাংলোই সেলবেদর বালেলোনা হায়খি।

য়ুহার হাবা অদু মেগ্নিচুদ ৬.৯নি হায়না হান্না রিপোর্ট তৌখিবা য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেনা সুনামি থোক্লিংঙাইগী অকিবা লৈতে হায়খি।

জাপানদগী খা-নোংপোক এসিয়া ফাওদুনা চৎপা অমসুং পেসিফিক বেসিন ফাওবা কোনশিনবা অকনবা শৈস্মিক এক্টিভিটিগী আর্ক অমা ওইরিবা পেসিফিক 'রিং ওফ ফয়ার' মথক্তা ফিলিপিন্স লৈ।

ওক্টোবরগী থা মনুংদা চয়োল খরগী মনুংদা হায়রিবা মিন্দানাওগী মফম অসিমক্তদা ৬.০ মথক্কী মেগ্নিচুদতা য়ুহার ৩লক হাখি। মদুদা মীওই ২৫ রোম শিখি অমসুং ওফিস বিল্ডিংশিং, স্কুলশিং অমসুং এপার্টমেন্টশিং শাথিনা অতেক অকাই থোকখি।

১৯৯০দা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা রিসোর্ট টাউন বাগুইওদা থোকখিবা মেগ্নিচুদ ৭.৮কী য়ুহার হাবা অমদা মথোল কয়াগী বিল্ডিংশিং অমসুং হোটেলশিং নীংখাইখি অমসুং মীওই ১,২০০রোম শিখি।

# জামাইকাগী টৌনি-এনন সিংহনা মিস ৱার্ল্ড অমসুং ইন্দিয়াগী সুমন রাওনা ৩শুবা তারে




**লন্দন, দিসেম্বর ১৫(এজেন্সি)ঃ** লেমজনিঙাই ওইরবা ২০১৯গী মিস ৱার্ল্ডগী মিংথোল অদু জামাইকাগী টৌনি-এনন সিংহনা ফংখ্রে।

মহাক্না ফ্রান্স অমসুং ইন্দিয়াদগী লাকখিবা লম্বাশিংবু মায়থিবা পীরমখি। চহীগী ওইবা শকহেনবী চাংদম্নবগী মালেমগী থৌরম অসিদা ফেমিনা মিস ৱার্ল্ড ২০১৯ তাখিবী রাজস্থানগী নুপীমচা সুমন রাওনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনখি অমসুং ৩শুবা তাখি। ফ্রান্সকী ওফেলি মেজিনোনা ২শুবা তাখি। মিস ৱার্ল্ড ৱেবসাইটকী মতু ইন্না মশাগী চহী ২৩ শুরবী টৌনি-এনন সিংহনা য়ু এসকী ফ্লোরিদা ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিদা ৱিমেন্স ষ্টদিজ অমসুং সাইকোলোজিগী মহৈরোই অমনি। টাইটল অসি ফংবদা মহাক্না ৪শুবা জামাইকান নুপীনি।

# মেট্রো ট্রেনদা চোংশিল্লগা মপুরোইবা শিখিবগী মতুং মমা-মচাসু সুইসাইদ তৌরগা শিখ্রে

**নোইদা, দিসেম্বর ১৫(এজেন্সি)ঃ** ন্যু দিল্লিদা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম মেট্রো ষ্টেসনদা চংশিল্লকপা ট্রেন অমগী মমাঙদা চোংশিল্লগা মপুরোইবা শিখিবগী মতুংদা মহাক্কী নুপী অদুসু মাগী চহী ৫তা ঙাইরিবী মচানুপীগা লোয়ননা ইরাই নুমিৎকী অথেঙবদা মখোয়গী ময়ুমদা শিলিং ফেন অমদগী থৌরি য়াল্লগা শিখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি থিজিল্লকপদা নুমিৎতুগী ঙল্লিঙৈদা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম মেট্রো ষ্টেসনদা চোংশিল্লগা শিজিখিবা মপুরোইবা(৩৩) অদুগী হকচাং অদু য়েংননবা নুপী অদুনা চৎখি।

মফম অদুদগী হল্লক্লবা মতুংদা মহাক্না মহাক্কী মচানুপী অদুগা লোয়ননা সিলিং ফেন অমদগী থৌরি য়াল্লগা সুইসাইদ তৌখি হায়না সার্কল ওফিসার স্বেতাব পান্দেনা নোইদাদা পাউমীশিংদা হায়খি।

পুলিসকী মতুং ইন্না নুপী অদুগী মপুরোইবগী মনাওনুপা অদুনা মতৈ মনাও অদু শেন-থুমগী শাথিনা খুদোঙথিবা মায়োক্লে হায়খি।

# উকিলগা ডোক্টরগা খৎনবদা অনাবা ৩ শিখ্রে

**ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ১৫(এজেন্সি)ঃ** পাকিস্টানগী নোংপোক থংবা সিটি লাহোরদা লৈবা কার্দিয়াক হোস্পিটাল অমদা ডোক্টরশিংদা উকিল কাংবু অমনা খূৎ থারকপদগী নাকপাক অনী খায়রকপদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা য়ামদ্রবদা হার্টকী অনবা মীওই ৩ শিখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিং অমসুং মিনিষ্টরশিংনা পোঙদোকখ্রে।

খূৎ থারক্লিবা অদুদগী ডোক্টরশিংনা নাম্থোক্লবা হোৎনদুনা লৈবদগী অনাবশিং অদুদা মতম চানা লায়েঙ পীবা ঙমখিদবদগী অহল ওইরিবী নুপী অমা য়াওনা অনাবা ৩ শিখি হায়না পঞ্জাব প্রোভিন্সকী হেল্থ মিনিষ্টর য়াস্মীন পতেল রসিদনা লাহোরদা টেলিভাইজ প্রেস কনফরেন্স অমদা হায়খি।

# GAS TODAY

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 04/11/19
Valid : 29/10/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Imphal LPG Service**
Stk : 19kg -270
Time : From 08.30 a.m.

**Sawombung Indane**
Booking : 16/10/19
Valid : 03/10/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Patsoi Indane Service**
Booking : 06/11/19
Valid : 05/11/19
Sl. No. : 50
Stk : 306
Time : 08.30 to 10.30 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 16/11/19
Valid : 28/11/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**K & K Indane**
Booking : 04/11/19
Valid : 27/11/19
Sl. No. : 300
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 02/11/19
Valid : 28/10/19
Sl. No. : 730
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 10/10/19
Valid : 02/10/19
Stk : 918
Time : 08.30 to 10.30 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 23/11/19
Valid : 22/10/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

# ঈশিং মরাঙ কায়না লৈরবসু থৱায় পানবা অমতা লৈবতবা মফম অমা সাইন্টিষ্টশিংনা ইথিওপিয়াদা লৈরম্বা থেংনখ্রে

**এদ্দিস অবাবা, ১৫(এজেন্সি)ঃ** অশাবা থুমহিচেনবা য়াম্না এসিদিক ওইবা ঈশিং মরাঙকায়না লৈরিবা ইথিওপিয়াগী দাল্লোল জিওথর্মেল ফিল্ডদা থৱায় পানবা জিবা হায়বদুগী করিগুম্বা মওং অমতা লৈতবা মফম অমা সাইন্টিষ্টশিংনা পৃথিবীগী লৈমায়দা থেংনরে।

মসিনা তাক্লিবদি, প্লানেট অসিগী মথক্তা মহি ওইবা ঈশিং হায়বদি-থৱায় পানবা জিবশিং হিংদুনা লৈনবগী মচাক অসি লৈরবফাওবদসু থৱায় পানবশিং লৈগনি হেক্তা হায়বা য়াদে হায়বনি। থৱায় পানবশিং, হায়বদি, মরুওইনা মাইক্রোওর্গাঞ্জিম শিংগীদি ঐখোয়গী প্লানেট অসিগী



মথক্তা খ্বায়দগী শাথিরবা ফিভমশিংদা লৈবা ঙম্বগী অঙকপা শক্তি লৈবা অদু ফাওবদা দাল্লোল জিওথর্মেল ফিল্ড অসিদদি হিংবা ঙমদে।

ইথিওপিওয়াগী দানাকিল দিপ্রেসনদা লৈরিবা য়াম্না শাথিনা ফত্তবা লৈবা নুংঙাইতবা দাল্লোল লেন্দস্কেপ অদু থুন্না পীকথনবা ভোলকেনিক ক্রেটর অদুফাওবা শান্দোক্লিবা মফম অদু হূগী গ্যাস থোক্তুনা অকনবা হায়দ্রোথর্মেল এক্টিভি মরক অদুদা ঈশিং শৌদুনা লৈ।

মসি পৃথিবীগী মথক্তা খ্বায়দগী হেন্না শাথিনা শাবা এনভাইরোনমেন্টশিংগী মনুংদগী অমন। মফম অদুদা নিংথমথাগী মতমদ ফাওবা নুমিৎ খুদিংগী টেম্পরেচর অদু সেলসিয়স দিগ্রী ৪৫ হেল্লি অমসুং য়াম্না শাথিনা থুম য়াওবা অমসুং য়াম্না শাথিনা এসিদিক ওইবা পুখ্রিশিং মরাঙকায়না লৈ।

মমাঙদা চথখিবা রিসার্চকী থবকশিংদগী অহেনবা সেম্পল কয়া এনালাইসিস তৌরবা মতুংদা ঐখোয়না থুমগী অশাবা অমসুং হায়পরএসিদ পুখ্রিশিং নৎত্রগা থংনবা মেগ্নেসিয়ম মরাঙকায়বা থুমগী পাৎশিং অদু মাইক্রোবাইএল লাইফ লৈতে হায়বসি ঐখোয়না ভেরিফাই তৌরে হায়না ফ্রেঞ্চ-স্পেনিশ সাইন্টিষ্টশিংগী টিম অমা লুচিংলিবা ফ্রেঞ্চ নেসনেল সেন্টর ফোর সাইন্টিফিক রিসার্চ (সি এম আর এস)কী বাইওলোজিষ্ট প্যুরিফিসেন লোপেজ গার্সিয়ানা হায়খি। নেচর ইকোলোজি এন্দ ইভোল্যুসন কৌবা চেফোংদা সাইন্টিষ্ট টিম অদুনা দাল্লোলগী মল্টি - এসিদ্দিক পোন্দশিং অদুদা থৱায় পানবা হায়বদুগী মওং অমতা লৈতে হায়বা ৱারোইশিন পীখ্রে।

হিংলল্লিবা হায়ববু হায়পরএসিদ অমসুং হায়পসেলাইন পুলশিংদদি নত্তবা অমসুং মেগ্নেসিয়ম মরাঙকায়বা দাল্লোলগী ব্লেক অমসুং য়েল্লো পাৎশিং হায়নরিবা অদুদসু নত্তবা, হায়পরথর্মেল সাইট অদুগী অকোয়বদা মরুভুমি অমসুং চপয়ুংনা অঙম্বা নাকনশিং লৈবা অচৌবা থুমগী তম্পাক অদুদা প্রিমিটিব সোল্ট লভিং মাইক্রোওর্গানিজমশিংগী টায়প অমা লৈরিবা অদুখক্লি।

# শাংলবা চহি ১৮,০০০ উননা প্রিজার্ব তৌরম্বা পপ্পি থেংনবদা সাইন্টিষ্টশিং ঙকপগা লোয়ননা নুংঙাইখ্রে, চহি ২০,০০০দগী ৪০,০০০ রোমগী মমাঙদা কৈশালদগী হুই ওল্লকখিবনি

**ষ্টোকহোল্ম, দসেম্বর ১৫(এজেন্সি)ঃ** মতম পূন্নমক্তা অকনবা উনপাকশিংনা কুপশিন্দুনা লৈরবা সাইবেরিয়াগী লমদম অমদা হুইনাও মচা অমা লৈরমখিবদা, লমদম অদুদা খূন্দারিবা মীওইশিংনা ঙাংনবা লোনদা 'ডোগোর'- মরুপ হায়না মমিং থোল্লিবা পপ্পি অদুগী মতাংদা সাইন্টিষ্টশিং ঙকপগা লোয়ননা নুংঙাইখ্রে। অদুবু পপ্পি অসিগী মতাংদা রিসার্চরশিংনা হংলিবা অচৌবা ৱাহং কয়া লৈরি।



অপীকপা শা অদু কৈশাল ওইরমগদ্রা নৎত্রগা হুই অমনা হায়বসি খঙবা ঙম্ননবা মখোয়না হৌজিকসু হোৎনরি। মহাক অসি লমলক্কী তমথিরবা শা অমনা মীওইবগী খ্বাইদগী অফবা মরুপ ওল্লকখিবা ইভোলুসনরি থোং অদু মহাক্না ওইরম্বা য়াৱা হায়বসিদা সাইন্টিষ্টকী ৱাখলদা অঙক-অঙকপা ৱাহং কয়া লৈরি।

মখোয়না ডোগোরগী মশক অদু করি মাল্লমগদগে হায়বগীদা থোইনা খল্লুদে, মরমদি উন (আইস)কী ফিভমশিং অদুনা মহাকপু অসুক য়াম্না শাংলবা মতম অসি ফমজিহন্দুনা থল্লম্লে। সাইন্টিষ্টশিংনা মাগী মোন-মোন লাওরবা মতু অদু শোকপা য়াই অমসুং মচিনবান অদু চিংবা অমসুং পায়বা য়াই। মখোঙ খোঙপাক অদুসু থাঙ্গৎপা য়াই।

মতম শাংনা মাঙখ্রবা কেনাইন অদুবু স্ক্রুটিনি তৌরকখিবা ষ্টোকহোল্মদা লৈবা সেন্টর ফোর পালিওজিনেটিক্সতা রিসার্স ফেলো অমা ওইরিবা দাভে ষ্টৈনটননা হায়, মসি অচৌবা অঙকপা অমনি, চুমদ্রবনে? ঐখোয়না থায়নগী সেম্পল কয়ামুক লৈরে...। অদুবু মসিমদি খ্বাইদগী হেন্না নিংথিনা প্রিজার্ব তৌরবা অমনি।

পপ্পি অদু য়াকুটিয়াদা মফমদুগী মীওইশিংনা হৌখিবা চহিদা থেংনরকখিবনি হায়না রসিয়াগী নোর্থ ইষ্টর্ন ফেদরেল য়ুনিভর্সিটিগী মাম্মোথ ম্যুজিয়মগী এক্সপোজিসন হোলগী মকোক ওইরিবা সেরগৈ ফেদোরোবনা হায়।

ডোগোরনা শোইল অমসুং আইসকী মতুম অমা ওইনা ঐখোয়বু অঙকপা ওইহন্দুনা থমলম্লে, অদুবু সাইন্টিষ্টশিংনা মাগী মকোক অমসুং খোঙগী খোঙপাকশিং অদু পুথোকপা ঙমখি অমসুং মহাক অহানবদা অঙাং ওইরিবা কৈশাল মচা অমা ওইরমগনি হায়না মখোয়না থাজখি।

দ ৱাসিংটন পোষ্টতা সেরগৈ ফেদোরোবনা হায়খি, অমোৎ-অকাইশিং অমসুং মকুমশিং অদু মানা চেক্নিননা শেঙদোকপদা হায়রিবা মতমগী তাঙ্কক অদুদা এমিনমেলশিংগীদমক য়াম্না শাথিনা তাঙনা থোক্লবা-করিমতা মওং কায়দ্রি হায়বা য়াবা অমোনবা মতু অদু ফংখি। পৃথিবগী ইতিহাস অদু মীৎনা উবা, খুৎনা শোকপা অমসুং ফাওবা ফংবসি ওম্থোক্না অঙকপা পোকপা অমনি হায়না মহাক্না হায়খি।

চয়োল অসিগী অঙনবদা মমিং লাওথোকখিবা পপ্পি অদু রসিয়াদা লৈরি। অদুবু হৌজিক ফাওবা খঙদ্রিবা অঙকপা ইভোলুসন অমগী মনুংদা ডোগোরগী পুন্সি অমসুং মফম অদুগী মতাংদা হেন্না খঙবা পাল্লিবা স্বিদেন অমসুং ইংলেন্দদা রিসার্সরশিংগী পুক্লিং চিংশিনখি।

থবাক্কী শরু অমা টেষ্টিং তৌবদা শা অদুগী চহী পুথোক্লে ঃ থা ২রোমনি হায়না কেনাইন হিষ্টরিগী মরমদা অঙকপা ওইনা লৈরিবা ৱাহংশিং পাউখুম পীনবা কন্না হোৎনদুনা চহী ১ রোম থবক তৌরকখিবা পোষ্ট-ডোক্টরেল স্কোলার অমা ওইরিবা দাবে ষ্টেনটোননা হায়খি।

এনালাইসিস অদুনা ডোগোরগী অতেনবা পুন্সি অদু কৈশালগী মথং-মথং লাকখিবা শাগৈশিং মুৎশিল্লকখিবা অমসুং হুইশিং থোক্লককখিবনি খন্নখিবা, মরুওইনা য়াম্না ৱাখন থিংজিন্নিঙাই ওইরবা মতম অদুৱাই মক্তদা লৈরমখিবনি হায়না পারি।

হুইশিংনা কৈশালশিংদগী চপ চানা করন্না অমসুং করম্বা মতমদা ইভোলব তৌরকখিবগে শেংনা খঙদ্রি। হন্দক চথখিবা ষ্টদি অমনা চহি ২০,০০০দগী ৪০,০০০ফাওবগী মমাঙ অদুৱাইদা থোক্লককখিবা ওইগনি হায়না পারি।

ডোগোর অসি কৈশাল অমরা নৎত্রগা হুই অমরা হায়বা টেষ্টিংনা লেপ্পা ঙমদবা অসিনা স্পেসি অনীমকসিদা লৈনবা মরীগী অহেনবা ইভিদেন্স মসিনা পীরি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা হায়রি।

করিগুম্বা নহাক্না মতম অদু মমিং হন্দুনা অমুক চৎলবদি হুইশিংগা কৈশালশিংগা পূশিন্নবা তাঙ্কক অদুদা নহাক নক্নিন্নহনগনি অমসুং অদুদগীদি অনীদুগী মরক্তা খেন্নবা অদু হায়বা লুগনি, খেন্নবা পুথোকপা ঙম্লোই হায়না দাভে ষ্টৈনটননা হায়খি।

মখোয়না ডোগোরগী জিনোম চুম্না সেক্কেন্স তৌরে হায়বগী মখোয়গী থাজবা হেনগৎহন্নবা মহাক অমসুং মহাক্কী কাঙবু অদুনা ডোগোরগী জিনোমদা হেন্না মখা তাবা এনালাইসিস তৌবগী মথৌ তারি হায়না ষ্টেনটননা হায়রি।

মখোয়গী থবক অসি হৌবদা ঙাইরি। মখোয়গীদমক লাইবক ফারিবদি পপ্পি অদুগী কোট অমসুং ময়াশিং অদু হৌজিক অকাই-অতোই অমত্তা থোক্তনা লৈরিবা অদুমক্কা মান্ননা দি এন এসু ফজনা প্রিজার্ব তৌদুনা লৈরে হায়খি।

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-331**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 7 | | | | 5 | | 4 | |
| | 1 | | 6 | 3 | | | | 2 |
| 3 | 2 | | | | 4 | | | 6 |
| 7 | 5 | 6 | 3 | | | | | |
| 9 | 4 | 3 | 5 | | | | | |
| 1 | | | | | 7 | 3 | 6 | |
| | | | 4 | | | 6 | | 7 |
| | | 4 | | 6 | | | 3 | |
| 5 | | | | 1 | | 4 | | |

**সনা-সুদোকু-৩৩০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 9 | 3 | 2 | 6 | 4 | 5 | 7 |
| 3 | 6 | 5 | 4 | 7 | 9 | 2 | 1 | 8 |
| 4 | 7 | 2 | 8 | 5 | 1 | 6 | 9 | 3 |
| 6 | 1 | 8 | 5 | 3 | 2 | 7 | 4 | 9 |
| 7 | 5 | 3 | 1 | 9 | 4 | 8 | 2 | 6 |
| 2 | 9 | 4 | 6 | 8 | 7 | 1 | 3 | 5 |
| 8 | 2 | 7 | 9 | 1 | 3 | 5 | 6 | 4 |
| 5 | 3 | 6 | 2 | 4 | 8 | 9 | 7 | 1 |
| 9 | 4 | 1 | 7 | 6 | 5 | 3 | 8 | 2 |